Refreshingly Reliable

# HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


এফ বি রিএল ফ্রেন্দ হায়না মিংথোনবা গ্রুপনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দোং খুনখায়বা ভিলেজ দা লৈবা য়ূমথোঙ ১১০দা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা


লামায় ৩

সেকমাইজিন অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়ং ষ্টুদেন্টস ক্লবকী থৌমীশিংনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমদা লৈবা য়ূমথোঙ ২১১ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা


লামায় ২

য়ু এস এ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী লাকপা ফোরেন্নর অনী অমসুং মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংদা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া ৱেটলিফ্টিং এসোসিএসননা ফেস মাস্ক অমদি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাংখিবা



লামায় ৩

কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী ওইনা দোর টু দোর ৱেষ্ট কলেক্সনগী রেজিষ্টর তৌরবা ইমুংশিংদা লেম্না লিট্টর বিনশিং ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লরনা লুচিংদুনা য়েন্থোকখিবা


লামায় ৩


Vol. 44, Issue No.047 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Tuesday, May 12, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL Poll

Q: Mapanda panduna leiribasing pushillaknabagi matangda leingakna loukhatliba thourang penningai oi haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Potlam khudingmak angakpa phangna mamal wangkhatlaklibasi leingakna mityeng changba watpadagini haina khanbra?

Yes 96% No 04%


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা


# লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎনবা থবক পায়খৎপা হৌরগনি : মোদি

### ফিভম য়েংলগা তাঙ্কক নাইনা লোকদাউনগী অথিংবা কোমথোকপা চুমগনি : বিরেন



ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা থল্লকপা লোকদাউনগী অরোয়বা তাঙ্কক য়ৌশিল্লকপগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ষ্টেট পুন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টিরশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

মঙারকশুবা ওইনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ৱারী শানখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবগী মওং মতৌবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা থাগৎনরি। পুন্নমক ষ্টেটশিংনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং মতিক চানা লৌখৎপদগীনি।

লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা শেন্মীৎ-লোনগী ফিভম ফগৎহন্নবগী থবক-থৌরমশিং তপ্না-তপ্না পায়খৎপা হৌরে। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা খোঙজেল য়াঙনা শেন্মীৎ-লোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ৱারী শানখিবদা ষ্টেট পুন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংনা মাগী-মাগী ওইবা মোৎ পীনখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি মদুদি, সেন্টরনা মতম অমুক্তদা লোকদাউন লৌথোকপগী মহুত্তা ফিভম য়েংলগা তাঙ্কক নাইনা তপ্না-তপ্না লোকদাউনগী অথিংবা কোমথোকপা চুমগনি। খুদত্তা লোকদাউন


...মখা লামায় ৩ কলম ৬


ক্বারন্টিন সেন্টরদা খূদোংচাদবা মায়োক্লবগী ভিদিও ভাইরেল ওইরে

# দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা সেন্ট্রেলাইজ স্ক্রিনিং সেন্টর হাংদোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১(ঐচ এন এস): লোকদাউননা মরম ওইরগা মপান্দা পন্দুনা লৈরুবশিং হন্নরক্লুনা মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা থুংলবদগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা খূদোংচাদবা মায়োক্লবগী ৱাফম কয়া ঙাঙনরিঙৈ চৈরক অসিদা ঙসিসু পাঙ্গৈদা লৈবা সাইনিক স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংনা খূদোং-চাদবা মায়োক্লরে হায়বগী ভিদিও সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরে।

সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ভিদিও অদুদা সাইনিক স্কুলদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওই অমনা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লৈরিবা মওং-মতৌশিং ভিদিও অদুদা উৎলকখি। গুৱাহাটি মণিপুর ভবনদগী হল্লকপনি হায়বা মীওই অদুনা ফোঙদোকখিবদা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিগী টোইলেট-তগী আউটলেটতা চৎখিগদবা ঈশিং অদু তুংলগা লৈরে অমদি অমোৎ-অকায় কয়া শেংদোকপীদ্রে। মরম অসিনা মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা হেন্না মিপাইবা পোকহল্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।


অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরুরিবা মীওইশিং হল্লক্লবা মতুংদা নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌবগী থবক চত্থনবা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা সেন্ট্রেলাইজ স্ক্রিনিং সেন্টরশিং খূদক্তগী হাংদোক্লনবা মরী লৈনবা দি সী অমদি সী এম ওশিংদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট সর্ভিলেন্স ওফিসর আই দি এস পি, ডা. এল তোমচা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মপান্দা পন্দুনা লৈরুবদগী


...মখা লামায় ৩ কলম ৭


## অস! লোইরেহে!

- য়োৎ মচা অমনীদু থাঙ্গৎপদা ঐয়ে য়ে হায়রিবদু কৈদৌরে, অতো?



- খৈনি চাবা ফংদদুনা ইশা পাঙ্গল য়াওদ্রে সার...!

# হরিয়ানাদা মণিপুরী নুপীমচা ১ তমথীনা ফূরকপদগী লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১(ঐচ এন এস): মিপাইনিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা হরিয়ানাগী ফাইজাপুর গুরুগ্রামিনদা মণিপুরী নুপীমচা অমবু মফম অদুদা লৈবা ইমুং অমগী মীওইশিংনা তমথীনা ফূরকপদগী লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অদুদা শোক্লবী নুপীমচা অদুদি নেংচোহোই মিসাও (১৯) কৌই হায়রি।

দিল্লি মণিপুরী সোসাইটিগী সেক্রেটরি এন শ্যামকিশোরনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী নুপীমচা অসিনা মনা-মশীং লৈরুরগা মশাগী হোষ্টেলদা হল্লকপগী লম্বীদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। শোক্লবী নুপীমচা অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মফম অদুদা লৈবা নুপী অমনা মহাক্কী য়ূমগী মমাংদা লৈবা ষ্ট্রিট অদু ফাওরগা চৎতনবা মণিপুরী নুপীমচা অদুদা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা


...মখা লামায় ৩ কলম ৭


# মণিপুর লৈঙাক্লা করি এক্সন লৌখৎখ্রবগে হায়বদু নুমীৎ নীনিগী মনুংদা শেংদোকপীরকউ : য়ু সী এম

ইম্ফাল, মে ১১(ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ থেংনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা সিজ ফায়র চৎনদে হায়রিবা মণিপুরগী সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্প হাংবগী খূদম চাংদম ওইবা পাউদম মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরকখ্রে। সিজ ফায়রগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্প হাংলম্বা অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা করি-করম্বা এক্সন লৌখৎখ্রবগে হায়বদু নুমীৎ নীনিগী মনুংদা শেংদোকপীরকউ হায়না য়ু সী এমনা ফোঙদোরক্লি।

লম্ফেলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা খম থেংনা ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশি চান্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিল্লক্লি। মীয়াম্নসু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বগী ফিরেপ লৈরিবনি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা হাংবা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্প অমা তেংবাং পোৎলম পীখ্রে হায়বা পাউ অমা সোসল মীদিয়া য়াওনা মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরকখ্রে। মসিমক্লা লমদম অসিদা এন এস


...মখা লামায় ৩ কলম ২


# ট্রেনদা লাক্কদৌরিবা মীওইশিং পুরক্লবা বস ৫০ জিরিদা চৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১(ঐচ এন এস): চেন্নাইদগী ট্রেনদা লাক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীওইশিং জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন্দগী ইম্ফাল তম্না পুরকপদা শীজিন্নগদবা বস ৫০ ঙসি জিরিবামদা চৎখ্রে।

চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওইশিং জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলবা মতুংদা বস ৫০ অসিনা ইম্ফাল তম্না পুথোরক্কনি। ঙসি অয়ুক জিরিবামগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা বস ৫০ অসি জিরিবামদা লৈরবা মতুংদা মফম চানা থমদুনা ট্রেনদা লাক্কদৌরিবা মীওইশিং অসি পুথোরক্কনি। ঙসি বসশিং লমথাখিবা অদুদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অমদি ওফিসলশিং লোয়নন‍া ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট টি রঞ্জিৎসু শরুক য়াখি। টি দি সী অমদি ট্রান্সপোর্টকী ওফিসল য়াওনা বস লমথাখিবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মপান


...মখা লামায় ৩ কলম ৫



